# অহুমশুবা পদ্মকুমারগী সাহিত্যগী কুম্হৈ ২০১৯

## ড্রামা ফেষ্টিভেলগী তরেৎনি চনবা নুমিৎতা দি ইলাইট গ্রুপ ওফ পার্ফোমিং আর্টিষ্ট, ইম্ফালগী 'দি মিরর (শকয়েং মিংশেল)' উৎখি



*ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ঃ*

অহুমশুবা পদ্মকুমারগী সাহিত্যগী কুম্হৈ ২০১৯ গী মনুং চনবা মচল অমা ওইনা পাঙথোক্লিবা ড্রামা ফেষ্টিভেল অসিগী তরেৎনি চনবা নুমিৎতা দি ইলাইট গ্রুপ ওফ পার্ফোমিং আর্টিষ্ট, ইম্ফালগী 'দি মিরর (শকয়েং মিংশেল)' উৎখি।

ড্রামা অসিদা শক্তম লাংলিবা লাংলিবীশিংদি–মনিগী শক্তমদা নান্দেবম জিবন, নুমিৎ য়ুংবা মমাঙগী মমিগী শক্তমদা–হেম্বা ঙাংবম, নুমিৎ য়ুংবা মতুংগী মমিগী শক্তমদা সন্দিপ হুইদ্রোম, মমাগী শক্তমদা ইরেংবম সুন্দরি, নুপী অমগী শক্তমদা ঙাম্থোই চবুংবমনি।

ওফ ষ্টেজদা– ঈশৈ নোংমাইদা সুর্জিৎ ক্ষেত্রি, মৈদা সুরেন, ফিজেৎ লৈতেংদা সুন্দরি, শক শেম্বদা রাজেন, ৱারীদা কাংজম রাধাকুমারনি। ড্রামাটাইজেসন, দিজাইন অমদি তাকপী তন্বীবদা শোইবমচা ইন্দ্রকুমারনি।

ড্রামা অসিগী অহৌবদা মনি (নান্দেবম জিবন) না ফৈজোম শেৎতুনা পুময়াৎ লিৎতুনা মখূত্তা চৈশু পায়দুনা শম্লাং অমদি পিশুম ফাওবা মচু ওন্দুনা হৌখ্রবা পূন্সিগী ঙল্লিঙৈগী শরুকশিং অদু নীংশিং লকপনা ড্রামা অসিগী অহৌবা শরুক ওইখি।

দি মিরর, শকয়েং মিংশেল হায়বসিদা তারিবা মমি অসি পোৎ অদুগী মমি অদুরা নৎত্রগা অতোপ্পা অমরা, মমি অদুগা পোৎশক অদুগা খেন্নরিব্রা? মসিবু ওইথোকপা য়াব্রা? ৱাহং কয়া অসিনা মনিগী হৌখ্রবা পূন্সিগী ঙল্লিঙৈগী শরুকশিং অদু মথং মথং নীংশিংলক্তুনা শকয়েং মিং শেলদা তাখিবা তোঙান–তোঙানবা মিতমশিং অদু মহাক্কা লোয়ননা ৱারী শারি।

মহাক (মনি) পোকপা মতমদা মমা মপানা কয়াদা হরাওনা আশা কয়া তৌজখিবা মদু পূন্নমক মনিনা ঙসি মপোকথোক ময়া লাংলবা মতমসিদা ঙরাংতা থোকখিবগুম নীংশিংই। মহাক্লা চাওবা শারেপ মপুং ফাদুনা পাখঙ ৱাই–ৱাই ফারক্লবা মতমদা মমানা য়ূমগী য়ূম্বুরেম্বী অমা ওইনা য়াচংলকপা মতমদা তুলসিবোংনচিংবা ৱাইশিং লমশেংজরগা মৈরা কৎচদুনা তাইবঙ মপু অমদি বৃন্দা দেবী ইমাবু খুরুমজখি। থংনবা মীৎকূপ্তা মখূত্তা মৈরা পায়দুনা মচানুপাবু নুমিৎ তারে হঞ্জিল্লক্ত্রি হায়দুনা খূৎনিং কাংদুনা ঙাইজখি।

মচানুপানা হঞ্জিল্লক্লবা মতমদা মমা অমা ওইনা নঙবু হৌজিক ফাওবা কদাইদা চৎলুবগে নুমিৎ তাখ্রে হায়বসি করিমত্তা খন্দব্রা? নঙ হল্লক্ত্রবদি ইমাসে লৈফম খঙলম্লোই হায়বসি নহাকপু খনখিদব্রা হায়না মমানা মচাবু ৱারক–ৱাতেম্বদু মখূৎ অদুদি লেপ্পা লৈত্তনা নুমিদাংগী য়েঞ্জাং মন্না–মন্না মচাদা য়েংদুনা হায়রি। মচানসু ওইনদুনা ইমা নঙসিদি ঐবু হৌজিক ফাওবা অঙাং মচাদৌনা খল্লিব্রা? ঐসে পাখঙ ফারবনি হায়না মোমোন নোক্লা মমাগী মফমদা ওইনজখি। মচাগী ৱাফমদু তারুরগা মমানা অদুদি নহাক চাওরে নুপী থিরগে হায়রব্রা হায়না করিমত্তা ইকাই হঙ্গোইবা লৈতনা মচাদা ওনশিন্দুনা হংখি। মচানা ইমা নঙসিদি ওন্থোক–ওন্থোকপা ৱাহং হংইদা। ঐ হৌজিক আই এ এস ফংনবা হোৎনখিগনি, মদু ফংদ্রিবফাওবা 'নো মেরিয়েজ, নো নুপী' হায়দুনা মমাবু নুংশিনা ঙসিদি অনৌবা ইমানা তাদ্রিবা ৱারী অমা তমগে হায়না হায়খি। মতমদুদা মমানা অমুকসু নঙনা ঙসাইদগী চৎলুরিবসি নঙগী নুপী অদুগা ফম্লুরিবা নৎত্রা? হায়য়ুনে ইমানা হায়রিবসে চুমদ্রনে? য়েংঙোই নুপী অদু নোংমতং ইমাগী নাক্তা পুরকউ, মবুক মপাও কমদৌই ইমা মশক উবদা শোয়দনা খঙগনি, অদুগা নঙ মাগী মমাদুদি খঙব্রা? মপাদুনা কৈদৌই? মমাগী ৱাহং দুনা খঙহায় খঙজিন ওইনা মখোয় ককচিং খুনৌদগীনি। হৌজিক্তি ইং খোল লৈদুনা ৱাংখৈদা হোংগৎতুনা লৈরে। ককচিংদা অমদি ৱাংখৈদা শারিবা য়ূমশিং অদু কোনুংগুম্না মথোল–মথোল ঙাক্তনি অদুগা মপা অদুসু ইঞ্জিনিয়রনি হায়দোরকখি।

অদু তারুরগা মচানা হায়রকখি, ইমা ঐনা ইমাবু ইঞ্জিনিয়র কনাগসু চাংদম্নখিবা লৈতে। ফরেসে ৱাফম অসি তোক্লসি, চাক লাম্বনা লোইরে, চাক লোইশিল্লুরো লাকও হায়দুনা মমা মচা ৱাহৈগী লান লোইদুনা ইমুংদা চঙখি।

অদুঙৈগী থৌদোক অদু ঙসি মনিনা হৌজিক্তা ফোং–ফোং শানা থোকপগুম নীংশিংলি। থংনবা মীৎকুপ্তা মাগী ফম্ফমদা ফমদুনা মওন মওন খনখি। নীংশিংলক্কনু য়াখিদে, অদুঙৈ

**রাজেন খুমুকচম**

নহা ওইরিঙৈ নোংমা মহাক্লা শকয়েং মিংশেল মমাঙদা লেপ্তুনা দ্রেস তৌদুনা নেক তাই পুল্লিঙৈদা মাগী খঙনজবী রিতা লাকখি।

ঙসিদি ভেলেন্টাইন নুমিৎনি হায়দুনা মখোয় অনী ৱাফম কয়া য়েৎনবগুম থোক্লা ৱাহৈগী লান থেংনখি। রিতা থা অহুমগী মনুংদা অমেরিকাদা মখা তমথনবগীদমক মপাগা লোয়নননা চৎলগনি। মদুগী চে–চাং তাম্থোক্লুনবা হয়েং কলিকটাতা চৎলগনি হায়দুনা পাউ অসি নঙোন্দা তাক্লমদ্রগনি অমুক ৱারৌরক্কনি হায়দুনা তাক্লমগে লাকপনি হায়রকখি। রিতাগী ৱাফম অদু চৎহলনিংদবগুমসু তৌ অদুগা নঙগী ষ্টদি মখা তমথবদা অদুবু নীংশিংবদা থাজদনা কুপ্লকপা নোংথাংগুম থোকখি। অসুম্না নীং শিংবা কয়ানা মথং মথং পরেং শান্না থোরকখি।

পূম্নমক অসি খন্না খন্না মহাক্লা মতম অমদা শীজিন্নখিবা শকয়েং মিংশেল অদু নীংশিংক্তুনা মদুগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা য়েংনবা হোৎনরকখি। মতম অদুদা মহাক্কী মমাঙদা লৈরিবা শকয়েং মিংশেল অদুদা অতোপ্পা শক্তম অমনা মাবু ঙাইদুনা লৈরম্বা উবদা মহাক খংবগুম থক্কৎখি। অদুবু মখোয় অনী ৱাহং পাউখুম কয়া তৌনরবা মতুংদা মহাক খঙলকখি। তশেংবা পূন্সিগী মশক্তি কৈদৌনুংদা মিং শেলদা তাবা ঙমদে।

ৱারী অসিদি অইবনা শৈরেংগী মওংদা শুপ্নতগী ৱাহৈ ২৪০ না লেঙশিন্দুনা শেমখিবা ড্রামা অমনি। অসিগুম্বা পুন্সিদা ঙল্লিঙৈ মতমদা থোকখিবা থৌদোক কয়াগী নীং শিংবা কয়া অদু দিরেক্তরনা হৈ–শিংনা নীংশিং ৱারী অদু অয়েংবশিংগী মীৎমাঙদা পুথোক্তুনা পাউদম্নবা হোৎনবদা অয়েংবশিংবু পেলহনবা ঙমখি হায়না লৌবা য়ারে।

মমা শাখিবী ইরেংবম সুন্দরি পুন্না য়েংবদা ফজরে, অদুবু মাগী দাইলোগতা চিনফা পুহৌদবা মতাং অমদা থৈদোকপা ঙমখিদদুনা



ৱাফম অদু মমানা তারুরগা নঙবু নপানা কয়াদা লুনা চান্না য়োকলকখিবা অদুগা নপানা ইংলিশ লোনববু পামজখিবসিদি ঐখোয় স্বাইগী কোলেজগী ওজানা হেঞ্জিনবা ঙম্বপোৎ নত্তে। মদুনা মরম ওইদুনা নঙবু মীরমদা থাদুনা মতিক চাবা মী ওইননবা হোৎনরকখিবনি।

মমাগী ৱারৌরপ তৌবা ৱাহৈশিং ঐনা করিগী য়েৎক্কদগেসু হায়গুম তৌ মখোয় অনী ৱাহৈগী লান মথং মথং অওক অথোম তৌনরকখি। মনি মখা তাবা খুম্ফম খঙদ্রদুনা ঙাইহাক লৈরিঙৈদা থাজদনা রিতানা মনিগী মনাক্তা চঙশিল্লক্তুনা নঙনা পাল্লিবসি মসি নৎত্রা হায়দুনা মহাক্কী ফুরিৎ কোট অদু লৌথোক্তুনা সোফাদা চিঙশিল্লকখিবা মীৎকুপ শোয়রে হায়বগী এক্টিং অমা অয়েংবশিংদা উৎথোকখিবদু নৎতনা ড্রামা অসি য়েংবা য়ারবা ড্রামা অমা ওইখ্রে হায়জবা তারে।

**চৎলিবা থাসিগী তাং ১৫ দা য়ুমজাও লাইরেম্বী ড্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়নগী 'শম্লাংগী থোং লান্দুনা' উৎকনি।**

# 'ওলিম্পিক গেমসকী ফিরাল'

**এল. কালা, উরিপোক**

মালেমসিদা হিংলিবা মীপুম খূদিংনা খ্বাইদগী হেন্না ইকাই খূম্নরিবশিংগী মনুংদা চহী মরি–মরি লৈরগা পাঙথোক্লিবা ওলিম্পিক গেমস অসিসু অমনি। ওলিম্পিক গেমস য়াঙনা চেনবা, শান্না চোংবা অকনবগী ওইবা থাঙ্গৎপা শান্না লংবা ঙাক্তগী নুংঙাইরবা শান্নবগী ফিদম্নিং ঙাই ওইবা পাওজেল অকা লোয়নননা ফজখ্রবা সিম্বোলগী ওইবা ৱাহন্থোক মীওইবগী থম্মোইনা কাওঙমলরোইদবা মপানগী ওইবা কয়া অমসু লৈরি। পুকচেল চাওবা খোঙফম চেৎপা, লিংজেল লৈবা মীওইবা অমা ওইনা হিংসি ঐখোয়, ফজ খ্রবা ওলিম্পিকক্কী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন্নি। ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা লম্বা তৌনবসি নৎতবা ওলিম্পিক পাঙথোক্লবা মাঙওইননা চেন দবা য়াদবা ওলিম্পিক টোর্চ (মৈরা) হেক্তমক শাবা নত্তে, শারিবা পোৎচং, মওং মতৌ পূম্নমক অমমমতগী ওইবা মীওইবা খুন্নাই অমদি থৱাই পানবা জীবশিংগী ওইবা হিং লিবসিদা নুংশিবগী কায়নবগী অৱাবগী নুংগী ওইবা ময়েক লারবা ৱাহন্থোক অমমম লৈবা ওলিম্পিক গেমসকী মচৎনি। ওলিম্পিক গেমস ফিদম্নিংঙাই ওইবা মওংদা শিন লাংবগী মপু ওইরিবা ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) মশাগী ওইবা ফিরাল, ফিরালগী ওইবা মচু, ফিরালদা ঙাম্থোইরিবা খুদোপ (রিং) মওংগী ওইবা কোঙ্গোই লৌশিন্নবগী মওং অমসুং কোঙ্গোই খূদিংগী মান্নদবা মচু পূম্নমকসিগী তোঙান–তোঙানবা অর্থ লৈবা ঙাক্তনি। ফিরালগী মপুং ওইবা অঙৌবা মচুগী মথক্তা খেন্নবা মচু ওইবা কোঙ্গোই মঙা লৌশিন্নবগী মওং মতৌ অসি মোর্দন ওলিম্পিক গেমসকী মপানি হায়না খঙনরিবা ফ্রান্স মচা পিয়ারে দি কাওবরটিনগী লমজিং মখাদা ১৯১৩ দা শেম শাদুনা হঞ্জিন–হঞ্জিন খন্নরবা মতুং ১৯১৪ দা মীমাঙ থোক্লা রিলিজ তৌরগা অহানবা ওইনা ১৯২০, সম্মর ওলিম্পিক গেমস, অন্টৱার্প, বেলজিয়মগী মেন ষ্টেদিয়মদা ইহান হান্না হোষ্ট তৌখি। কাওবরটিন ইডুকেনিষ্ট অমা ওইবদা নত্তনা আই ও সিগী অনীশুবা প্রসিদেন্টসু ওইখি। ১৯২৮, পেরিস ওলিম্পিক গেমসতা হৌজিক ফিদম্নিংঙাই ওইরিবা ওলেম্পিক মোট্টোগী ৱাহৈ অহুম শাইটিয়স, অলটিয়স ইংলিশতা ফাষ্টর, হাইয়ার, ষ্ট্রোঙ্গর ফজখ্রবা অর্থ চেনবা ৱাহৈ অহুম অসি মীয়ামদা থমদুনা খঙহনবা হৌখি।

ওলিম্পিক কোঙ্গোই মঙানা ওইরোমদগী য়েৎলোমদা লৌশিন্নদুনা লৈরিবসিদা তাক্লি মালেমসিদা মীওইবনা খুন্দাবা মহাদেশ মঙাবু কোৎশিন্দুনা পূম্নমক অমত্তা ওইনা খোঙফম চেৎনা লেপ্লি ইং তপ্পবা (শান্তি) অমগী লৈমাইসিদা মীওইবা খুন্নাই অমদি থৱাই পানবা জীবশিং পূম্নমক্কী য়াইফনবা অমগীদমক। ফিরালগী মপুং ওইবা তরুকশুবা মচু অঙৌবা অসিনা ইং তপ্পবা অমকপা লৈত্রবা মালেমগী লৈমাই অমগী পাংখক্তা লৌরিবনি। অহানবা কোঙ্গোই হিগোক (ব্লু) মচু অসিনা য়ুরোপ মহাদেশপু শক্তাক্লিবনি, অনীশুবা হঙ্গাম মপাল (য়েল্লো) মচুসিনা এসিয়া মহাদেশ, অহুমশুবা অমুবা (ব্লেক) মচুসিনা অফ্রিকা, মরিশুবা অশংবা (গ্রীন) মচুসিনা ওষ্ট্রেলিয়া অদুগা মঙাশুবা অঙাংবা (রেদ) মচুসিনা অমেরিকা মহাদেশপু শক্তাক্লিবনি।

শান্নববু নুংশিবা শান্নববু শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিং, অমদি ওফিসিয়েলশিংদা য়েল্লি নুংশিরবা লৈনগুম্না ওলিম্পিক গেমস ফজখ্রবা ৱাহৈ ৱাতাগী ওইবা ৱাহৈ পরেং কয়া অমা 'মশান্না খুদিংমক চপ মান্নবা (ইক্কেলিটি) গী মীৎয়েং থমসি, পূন্সিগী খ্বাইদগী মরু ওইবদি মায় পাকপখক্তা নৎতে, লনঙম্নবগী লাম্থেংনবসু নৎতে, জাৎ বিজাৎ, অঙাং অহল খাইদে, শান্নবনা ফৎতবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমই।

# পি ভি সিন্ধু সিঙ্গাপোর ওপনগী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

## সাইনা, স্রিকান্থ অমদি সমির ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়খিখ্রে

*সিঙ্গাপোর, এপ্রিল ১২ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা নুপী সট্টলর পি ভি সিন্ধু য়ু এস দোল্লর ৩৫৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টনগী নুপী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সাইনা নেহৱাল, কিদম্বী স্রিকান্থ অমদি সমির ভর্ম ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৪শুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা চাইনাগী কাই য়ানিয়ানবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২১–১৩, ১৭–২১, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা ২শুবা সিদেদ জপানগী নোজোমী ওকুহারাগা শান্নরগনি।



*সিঙ্গাপোর ওপনদা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু*

জপানগী নোজোমী ওকুহারানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৬শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালবু ষ্ট্রেট গেম ২১–৮, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৱার্ল্ডর নম্বর ৱান চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং অমদি ৩শুবা সিদেদ জপানগী অকানে য়ামাগুচি লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদসু ওইরিবী চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৭শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী জুং জি হ্যুনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ২১–১১, ১৭–২১, ২১–১৬ দা থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী নোজোমী ওকুহারানা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৫শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোনবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৩, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থনা ঙসি লম্বা তৌনখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জপানগী কেন্টো মোমোটাগী মখূত্তা গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ১৮–২১, ২১–১৯, ৯–২১ দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা জপানগী কেন্টো মোমোটানা সেমি ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেনগা লম্বা তৌনরগনি।

দেনমার্ককী এজেলসেননা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দোনেসিয়াগী জেনাথন খৃষ্টিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ২২–২৪, ১৮–২১, ২৪–২২ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ২শুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেন অমদি ইন্দোনেসিয়াগী গিন্টিং শান্নরগনি। চৌ টিয়েন চেননা ইন্দিয়াগী সমির ভর্মবু ২১–১০, ১৫–২১, ২১–১৫ দা থোইরম্বনি। অদুগা গিন্টিংনা ৪শুবা সিদেদ চাইনাগী চেন লোংবু ২১–৮, ২১–১৯ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পেয়র পি চোপ্রা অমদি এন সিক্কি রেদ্দি ৩শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী পুৱাভারানুক্রোহ অমদি টৈরাট্টানচাইগী মখূত্তা ষ্ট্রেট গেম ১৪–২১, ১৬–২১ দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

# ভেলেন্সিয়া, আর্সনেল, চেলসি অমদি বেনফিকা য়ুরোপা লীগকী

## ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচশিং মায় পাকখ্রে

*মাদ্রিদ। লন্দন, এপ্রিল ১২ঃ*

য়ুরোপকী ক্লবশিংগী ওইবা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট য়ু ই এফ এ য়ুরোপা লীগতা স্পেনগী ভেলেন্সিয়া, ইংলেন্দগী আর্সনেল অমদি চেলসি লোয়নননা পোর্টগালগী ক্লব বেনফিকা মখোয়–মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচশিং মায় পাকখ্রে।



স্পেনগী ক্লব ভেলেন্সিয়ানা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ক্লব ভিলারিয়েলবু অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলগী লেগ অদুদা পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীরমখি। মেটচ অসি হেক হৌবদগী ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিংনা দোমিনেট তৌদুনা চৎখি।

শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা ভেলেন্সিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা দানিয়েল পারেজোনা কাওশিনবদা গোলকিপরনা ঙাকথোরকপা বোল অমা টিমমেট গোনকালো গুইদেসনা অমুক কাওশিনবদা পাঞ্জল ওইদুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৩৬শুবা মিনটতা ভিলারিয়েলনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা সান্তি কাজোরলানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী অরোইবা মিনটতা ভেলেন্সিয়াগী দানিয়েল ৱাসনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থারবা মতুং মেটচকী ইনজুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা টিমমেট গোনকালো গুইদেসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৩–১ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা ইংলেন্দগী ক্লব আর্সনেলনা ইটালিগী ক্লব নাপোলিবু ২–০ দা থোইরমখি।

আর্সনেলগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা আরোন রামসেনা অহানবা অদুগা অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা নাপোলিগী শান্নরোই কালিদৌ কৌলিবালিনা শোয়বদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা ওইখিবনি।

ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব চেলসিনা জেক রিবব্লিক্কী ক্লব স্লাভিয়া প্রাগপু ১–০ দা থোইখি। চেলসিগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৮৬শুবা মিনটতা মার্কোস এলোন্সোনা চনখি।

য়ু ই এফ এ য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অমদা পোর্টগালগী ক্লব বেনফিকানা জর্মনিগী ক্লব এন্ত্রাক ফ্রেঙ্কফর্টপু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থিবা পীখি।

# মালেসিয়া টুরনা দিফেন্সিপকী শেম শাবদা কান্নখি ঃ সভিতা

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১২ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না হন্দক্তা মালেসিয়াগা শান্নখিবা মেটচ ৫ গী হোক্কী সেরিজ অদুনা টিম অসিগী দিফেন্সিপকী শেম শামদা য়াম্না কান্নখি হায়না টিম অসিগী কেপ্টেন ওইখিবা সভিতানা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী টিম কেপ্টেন রানি রামপাল শোকপনা মরম ওইরগা টিম অসিগী গোলকিপর ওইরিবা সভিতাবু কেপ্টেনগী থৌদাং পুহনখিবনি।

সভিতানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্লা টিম অসিগী কেপ্টেন ওইখিবা অসিনা প্রেসর খরদি লৈখি। অদুবু টিমগী কম্পিটিসন ওইবনা অতোপ্পা শান্নরোইশিং খূদিংমকসু থৌদাং চপ মান্নখি।

নীংশিংবা য়াই মালেসিয়াগা শান্নখিবা মেটচ ৫ গী হোক্কী সেরিজ অদু ইন্দিয়ানা মেটচ ৪–১ দা হেন্দুনা সেরিজ লৌবা ঙমখি। টিম অসিগী চীফ কোচ মারিনেনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মালেসিয়াগা শান্নখিবা সেরিজ অদুদা পাঞ্জল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া মাঙহনখিবা অদুগীদমক পেন্দবা উৎখি।

ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম অসি চহী অসিগী জুন থাদা জপানগী সিটি হিরোশিমাদা পাঙথোক্কদৌরিবা হোক্কী সেরিজ ওফ ফাইনেলসতা শরুক য়াগনি।

হোক্কী সেরিজ ফাইনেলস অসিগী শেম শাবা টুর ওইনা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না মথং থাদা সাউথ কোরিয়াগা বাইলেটরেল সেরিজ শান্নগনি। বাইলেটরেল সেরিজ অসিদা টিম অসিগী শান্নরোইশিংনা দিফেন্সিপতা মরুওইনা মীৎয়েং থমগনি হায়রি।

# ইন্দিয়াগী জোস্না চিনাপ্পা মেকাউ ওপনগী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*মেকাউ, এপ্রিল ১২ঃ*

ইজিপ্তগী সিটি মেকাউদা চত্থরিবা মেকাউ ওপনগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোই জোস্না চিনাপ্পা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জোস্না চিনাপ্পানা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ইজিপ্তকী শান্নরোই ৫শুবা সিদেদ মেয়র হেনীবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট গেম অহুম ১১–৮, ১১–২, ১১–৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

ইন্দিয়াগী নুপা শান্নরোই সৌরভ ঘোসালনা অনীশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ স্কোটলেন্দগী গ্রেগ লোব্বানগী মখূত্তা ১১–৬, ৮–১১, ৫–১১, ৮–১১ দা মায়থিহৌখি। ঘোসালনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী মহেস মাঙ্গাওকরবু থোইরম্বনি।

**ক্রোসৱার্দ ১২৯ গী পাউখুম**

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| L | A | C | E | | L | U | S | T | | C | B | E | R | S |
| I | D | O | L | | I | T | A | R | | O | L | D | I | E |
| T | O | M | B | | T | A | R | O | | L | U | I | S | E |
| | | P | A | T | C | H | I | N | G | L | E | E | K | S |
| S | H | O | | A | H | A | | | R | E | S | | | |
| P | O | U | N | D | I | N | G | B | E | E | T | S | | |
| A | P | N | E | A | | | O | M | E | N | | E | S | T |
| C | E | D | E | | P | E | T | I | T | | O | T | T | O |
| E | S | E | | S | E | A | T | | | S | Y | S | O | P |
| | | D | R | O | P | P | I | N | G | P | L | U | M | S |
| | | | E | T | S | | | A | R | C | | P | A | Y |
| M | A | T | C | H | I | N | G | P | E | A | R | S | | |
| A | B | A | T | E | | O | L | L | A | | A | H | E | M |
| R | U | M | O | R | | R | O | E | S | | T | O | R | O |
| S | T | E | R | N | | A | P | S | E | | S | P | A | M |

# চেন্নাই সুপর কিংসনা রাজস্থান রোয়েলসপু ৱিকেট ৪ দা থোইখ্রে

*জয়পুর, এপ্রিল ১২ঃ*

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ২৫শুবা মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল মশীং খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ঙল্লিবা চেন্নাই সুপর কিংসনা রাজস্থান রোয়েলসপু ৱিকেট ৪ দা থোইখ্রে।

২৫শুবা লীগ মেটচ অসিগী টোস চেন্নাই সুপর কিংসনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। রাজস্থান রোয়েলসকী ইন্নিংস হৌরকপদা ফিভম ফজবা ওইখিদে।ওপনর অজিনক্য রহানে অমদি জোস বট্টলর মথংশিংনা রন ১৪ অমদি ২৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৬শুবা বেটসমেন বেন ষ্টোক্সনা বোল ২৬ মায়োক্লবদা ফোর অমা য়ৈরগারন ২৮ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা বেটসমেন ওইখি। ৮শুবা বেটসমেন জোফ্রা আরচরগী আওট ওইদনা লৌখিবা রন ১৩ অমদি ৯শুবা বেটসমেন স্রেয়াস আয়রগী আওট ওইদনা রন ১৯ লৌখিবা অদুনা টিম অসিগী অপুনবা স্কোর ওভর ২০ মপুং ফানা শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৫১ লৌবা ঙমখি।

চেন্নাই সুপর কিংসকী বোল্লিংদা দিপক চাহার, সারদুল থাকুর অমদি রবিন্দ্র জাদেজানা রাজস্থান রোয়েলসকী বেটসমেন ২ / ২ আওট তাহনবা ঙমখি।

মায় পাক্নবগী রন ১৫২ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু চেন্নাই সুপর কিংসনা অরোইবা বোলদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৫৫ লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৪ দা মায় পাকখি।

চেন্নাই সুপর কিংসকী ইন্নিংস হৌরকপদা ফিভম শোকখি। ৱিকেট ৪ আওট ওইখিবদা স্কোর বোর্দতা শুপ্নগী ২৪ খক লৈখি। ৪শুবা বেটসমেন অম্বাতি রায়ুদু অমদি ৬শুবা বেটসমেন এম এস ধোনিনা টিম অদুগী ইন্নিংস অদু শেমগৎতুনা রন ১০০ লাম্থোকহনবা ঙমখি।

অম্বাতি রায়ুদু বোল ৪৭ মায়োক্লবদা সিক্স ৩ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ৫৭ লৌরম্লগা আওট ওইখি। এম এস ধোনিসু বোল ৪৩ মায়োক্লবদা সিক্স ৩ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ৫৮ দা আওট ওইখি। রবিন্দ্র জাদেজা অমদি মিটচেল সান্টরনা মথংশিংনা আওট ওইদনা রন ৯ অমদি ১০ লৌদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৪ দা মায় পাকখি।